# বংলাদেশতা কাঙলুপ মশেল হাংনবগী থৌদোক্তা হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওই ২ শিরে



ধাকা, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী) :

মুস্লিমশিংনা নম্না খুন্দাবা বংলাদেশতা হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওইশিং অমদি ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী মরক্তা অমুক হন্না উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোরকপদগী হিন্দু লাইনিংগী মীওই ২ শিরে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কাঙলুপ মশেল হাংনবগী থৌদোক্তা শিখিবা মী মশিং ৬ শিরে হায়রি।

লৈবাক অদুদা লৈরিবা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা হৌখিবা য়ুমশকৈশো নুমিত্তা পাঙথোকখিবা দুর্গা পুজা কুন্দোগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা কুরানবু অরানবা মওংদা শীজিন্নখি হায়বগী ৱাহৌদা কাংলুপ অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকপা হৌরকখিবনি। বংলাদেশতা খুন্দারিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৯০ দি মুস্লিমশিংনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, বেগুমগঞ্জ টাউনগী খা থংবা শরুক্তা লাইবক থিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎ দুর্গা পুজাগী অরোইবা নুমিত্তা মুস্লিম ১০০ রোম হেনবনা ইরাই নুমিৎকী লাইনিং লাইশোল লোইরবা মতুং লম্বীদা থোরক্তুনা হিন্দুশিংগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখি। মদুগী মতুং খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীগী মশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা হিন্দু কম্ম্যুনিটিশিংনা লাইনিং লাইশোল পাঙথোক্লিবা লাইশঙ অমদা খঙহৌদনা এটেক চথুবা হৌরকখিবনি। এটেক্করশিং অদুনা হান্না লৈরম্বা মীওইশিং অদুবু ফুবা চৈবা তৌবখক্তা নত্তনা থাংনা থিন্দুনা মীওই কয়া শোকহনখি। থৌদোক অদুদা এটেক্করশিং অদুনা লাইশঙ অদুগী ওইনা লৈবা কম্মিটি অমগী এগজিক্যুটিব মেম্বর অমসু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌখিবগা লোয়ননা য়ান্না চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা লৈখি। থৌদোক থোকফম অদুগী অকোয়বদা পুলিসনা চথুখিবা থি হুস্বগী থৌদোক অমদা ঙসি অয়ুক অতোপ্পা হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওই অমগী অশিবা হকচাং লাইশঙ অদুগী মনাক নক্না লৈবা পুখ্রি অমগী মপান্দা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট পুলিস চীফ শহিদুল ইস্লামনা ফোঙদোরক্লি। নুমিৎ খরনি অসিদা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিংদা হিন্দু ১৫০ হেন্না শোকখি হায়রি।

# জুপিটরগী ত্রোজান এষ্টেরোইদশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা নাসানা স্পেসক্রাফ্ট অমা লোঞ্চ তৌখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী) :

নেসনেল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা) না ঙসি ইহান হানবা ওইনা জুপিটরগী ত্রোজান এষ্টেরোইদশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা লুসি হায়না মীংথোনবা স্পেসক্রাফ্ট অমা থাগৎখ্রে। হায়রিবা স্পেসক্রাফ্ট অসি অতিয়াদা চহী ১২ লৈদুনা মথৌ তৌগনি।

ঙসি কেপ কেনাভেরেলদগী অয়ুক অঙনবদা থাগৎখিবা স্পেসক্রাফ্ট অসি সোলর পৱারগী মতেংনা চল্লাইবনি। স্পেসতা নুমিৎতগী ইনর্জি লৌদুনা মতম শাংনা মথৌ তৌগদবা স্পেসক্রাফ্ট অসি লুসিনা অহানবা ওইরি। জুপিটরগী মতাংদা থিজিনবখক্তা নত্তনা স্পেসক্রাফ্ট অসিনা অতোপ্পা প্লানেট ৮ অমদি এষ্টেরোইদশিংগী মতাংদসু থিজিনগনি।

মালংদা তাউদুনা লৈরিবা এষ্টেরোইদশিং অসিগী মতাংদা ঐখোয়না মপুঙ ফানা থিজিনবা ঙল্লবদি য়ুনিভর্স অসিগী মতাংদা হান্না খঙলমদবা কয়া ঐখোয়না খঙবা ঙল্লগনি হায়না নাসা সাইন্স মিসনগী এসোসিয়েট এদমিনিষ্ট্রেটর থোমাস জরবুকেননা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা লুসিনা এষ্টেরোইদ দোনাল্ডজোহান্সনগী মতাংদা খরমখৈদি থিজিনবা ঙল্লগনি। লুসিনা মখা তানা লাক্লিবা কুমজা ২০২৭ তগী ২০৩৩ ফাওবগী মনুংদাত্রোজান এষ্টেরোইদ ৭ কা থেংনগনি। হায়রিবা এষ্টেরোইদশিং অদুগী মতাংদসু লুসিনা থিজিনবগী থবক চথুগনি।



এষ্টেরোইদ ৭ অসিগী মনুংদা ৫ না জুপিটর মতৌ করম্না ওইরকখিবনো হায়বদুগী মতাংদা ঐখোয়দা খঙহনবা ঙমগনি অদুগা অনীনা গ্যাস জাইন্টশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়না থাজনরি। লুসিনা মহাক্কী টার্গেটশিং অসিদগী য়ামদ্রবদা কিলোমিটর ৪০০ লাপ্না পাইদুনা লৈগনি।

হন্দক থিজিন্নবগীদমক হোৎনরিবা জুপিটর ত্রোজান এষ্টেরোইদশিং অসি ঐখোয়গী সোলার সিষ্টেমদা লৈরিবা জাইন্ট প্লানেট জুপিটর, সেটর্ন, য়ুরেনস অমসুং নেপচ্যুন শেমখ্রবা মতুং লেমহৌখাকশিং অদুনি। মরম অদুনা হায়রিবা এষ্টেরোইদশিং অসিগী মতাংদা মপুঙ ফানা থিজিনবা ঙল্লবদি হায়রিবা প্লানেটশিং অসি খক্তা নত্তনা পৃথিবীগী মতাংদসু খঙদবা কয়া খঙবা ঙল্লগনি। নাসাগী ওইনা ইহান হান্না এষ্টেরোইদশিং অসিগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক থাগৎখ্রিবা লুসি হায়না মীংথোনবা স্পেস এয়রক্রাফ্ট অসি মায় পাক্না মথৌ তৌগনি হায়বগী থাজবা নাসাগী সাইন্টিষ্ট খুদিংমক্তা লৈ। হৌজিক্কী ওইনা স্পেসক্রাফ্ট মালেমগী ৱাংমা লাপ্থোক্তুনা পাইবা হৌখ্রে।

স্পেসক্রাফ্ট অসি মখাদা লৈহৌরিবশিংনা ওপরেট তৌগনি। হিরম অসিগী মতাংদা সাইন্টিষ্টশিংনা মখা তানা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা শেম শাবা হৌখ্রে।

# মীয়াম মমাংদা কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা চৈরাক পীবা য়ারোই

কাবুল, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানগী তোঙান তোঙানবা প্রোভিন্সশিংদা লৈরিবা লোকেল ওফিসলশিংনা লৈবাক অদুগী টোপ কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা মীওই অমবু মীয়াম মমাংদা চৈরাক পীবা নৎত্রগা হাৎপগী থবক চথুবা য়াররোই হায়না টালিবাননা খঙহনখিবগা লোয়ননা মসি ঙাক্না চৎনবসু খঙহল্লক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা টালিবানগী ৱাঙাংলোয় জবিহুল্লা মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবদা, অফঘানিষ্টানদা নৌনা লাকখ্রবা টালিবান লৈঙাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা মীয়াম মমাংদা মীওই অমবু চৈরাক পীবগী মথৌ তাদে অমদি কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা লোকেল ওথোরিটিশিংনা চৈরাক পীবগী ফিরেপ লৌবা অসি অরানবা থবক্লি হায়না ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা মীওই অমা মীয়াম মমাংদা শিবগী চৈরাক পীবা তারবসু মীওই অদুগী চপ চাবা মরাল তিল্লিবা মীয়াম মমাংদা হান্না খঙহনগদবনি হায়রি। পনবা য়াবদি নৌনা শেমখ্রবা অফঘান গভর্ণমেন্ট অসিবু মালেমগী লৈবাকশিংনা রিকগনাইজ তৌবগী মতাংদা খন্নবা তৌদ্রবসু চাইনা অমসুং পাকিষ্টানগা লোয়ননা লৈবাক খরনদি টালিবানগী লৈঙাক অদুবু রিকগনাইজ তৌদুনা মীয়াম্না য়াবা গভর্ণমেন্ট অমা ওইহন্নবা হোৎনবনা হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না ঙল্লিউঁ মতমদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# পূং ২৪গী মনুংদা কোভিদনা মীওই ১,০০০ শিহনখ্রে

মোস্কো, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী):

রসিয়াদা হৌখিবা চয়োল খর'সিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হন্থখ্রবা মতুংদা খঙহৌদনা হৌখিবা পূং ২৪গী মনুংদা লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং খংহেন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ১,০০০ শিহনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পূং ২৪গী মনুংদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৩৩,২০৮ থেংনখি। লৈবাক অসিদা খঙহৌদনা কোভিদ-১৯গী কেস খংহেন হেনগৎলকখিবা অসিনা মরম ওইরগা চরাংনবা থোকহল্লি। লায়না লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবগীদমক লৈবাক অসিদা অমুক হন্না লোকদাওন থমজিল্লকপা য়ানা লৈ হায়না হেল্থ মিনিষ্টর মিখাইল মুরাসকোনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈঙাক্না শেমখিবা চৎনকাঙলোনশিং মীয়াম্না ঙাক্না চত্তবদগী ফিভম অসি ওইরকখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

ক্রেমলিনগী ৱাঙাঙলোয় দামিত্রি পেস্কোভনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুদা ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক খোঙজেল য়াঙনা পাঙথোক্লি। অদুম ওইনমক মীওই ১,০০০ খঙহৌদনা লায়না লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা অসি লাইবক থিবনি। লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা অপূনবা মশিং ২,২২,৩১৫ শুখ্রে। য়ুরোপ কন্ত্রিশিংগী মনুংদা কোভিদনা মী খ্বাইদগী হেন্না শিহনবা লৈবাক রসিয়ানা ওইরি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG, MANIPUR

**Ref. Mutation Case No. 333/SDC/Moirang/2021**

Heisnam Mani Devi W/o Late Heisnam Ibopishak Singh
of Thanga Lawai Maning Leikai

-Vs-

Late Haojam Manao Singh S/o (L) Haojam Tolchou Singh
of Thanga Lawai

**NOTICE**

Moirang, 12-10-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫৪-খা-থীনুঙ্গৈদা লৈবা পাট্টা নং ১৬৫ (অরিবা) অমসুং ৭৩৯ (অনৌবা) সী এস দাগকী নং ৪২৯০ এরিয়া ০.২০৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎনি)গী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চথুগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/0336/17


## KUTHI YENGJARI



Chahigi dasa-langfam, Mapokki thabak inkhang, Paknaba lalon-etik, Sel-thum, Mangba-tongba, Yum-Ingkhol, Lou-Dukan, Yumbal lambi, Nupi-Angang, Macha yaodaba, Angangi mahei-mashin, Awangba parikhya, Lairikta thawai yaodaba, Haina-tanaba indaba, Mayai Kaba Chinjakta laichuba, Paknaba Luckystone, Afaba gari number, Vote leppa, Hakchangi aruba anaba ashinachingba Kuthidagi kupthana yengjari. Hanna Phone dagi ayaba loubiraga yumda ayuk pung 7 tagi 12 manung phone toubirakpa/lakpiba yagani. Ayaba Customer Prediction Number (CPN) coupon yaodana lakpa yengjaroi. Tuesday yengjade. Whatsapp mobile : 9077188456.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/0067/17/9-16/10


# অফঘান দ্রোন ষ্ট্রাইকতা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা কম্পেন্সেসন পীরগনি : য়ু এস

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী) :

হৌখিবা ওগষ্ট থাদা য়ু এসনা কাবুলদা চথুখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমদা চহী নৌরিবা অঙাং ৭ য়াওনা অফঘান ১০ শিহনখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাশিংটননা নুঙাইতবা ফোঙদোকখ্রবা মতুং লৈখ্রিদবগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মীওইশিং অসিনা য়ু এসতা লাক্তুনা সেটল তৌনিংবা লৈরবসু মদুগী অয়াবা পীরগনি হায়না পেন্টাগোননা লাউথোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পেন্টাগোনগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা ওগষ্ট থাগী ২৯ দা ইস্লামিক ষ্টেট-খোরাসানগী মেম্বরশিং লৈরম্বা য়াই চিংনবা মফম অমদা অমেরিকান ফোর্সনা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথুখি। মখোয়গী কো-ওর্দিনেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না দ্রোন ষ্ট্রাইক চথুরিবা মফম অদুগী অকোয়বদা সিভিলিয়নশিং লৈত্রে হায়না কনফার্ম তৌরবা মতুং এটেক অদু লোঞ্চ তৌখিবনি।

লাইবক থিবদি থৌদোক অদুদা চহী নৌরিবা অঙাংশিং য়াওনা মীওই ১০ শিখিবনি। ৱাশিংটননা থৌদোক অদুগী মতাংদা অফঘান মীয়ামদা নুঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা মতেং পীনবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। য়ু এসনা কৈদৌনুংদা মখোয়গা চৎমিন্নরিবা অমদি য়ু এসনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবশিংগী মতেং পাংনবা ফিরেপ হোংবা লৈতে।

SAINIK SCHOOL IMPHAL

**ALL INDIA SAINIK SCHOOLS ENTRANCE EXAMINATION: 2022**

**ONLINE ADMISSION NOTICE**

The All India Sainik Schools Entrance Examination for admission into class VI (Boys & Girls) for academic session 2021-22 will be conducted on **09 Jan 2022 (Sunday).**

Candidates who desire to appear in the exam may apply online only at National Testing Agency website: **http://aissee.nta.nic.in** .

**Online Application Forms : 27 September 2021 to 26 October 2021.**
**Last Date of Submission : 26 October 2021.**

Ref: SSI/702/Ent
Sainik School Imphal

Sd/- Principal

HL-B/7218/15,16,17

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

**NOTIFICATION**

Imphal, the 16th October, 2021

No. 1/424/15-HSC/7143: In view of the present situation related to Covid-19 pandemic, it is hereby notified for information to all the concerned institutions under the Council that the last date for submission of Annual Report for the year, 2020-21 has been extended (with special consideration) upto 4:00 pm of 30.10.2021 (without fine).

All the Principals/Head of Institutions who have not submitted the Annual Report for the year 2020-2021 till date are requested to submit the same within the stipulated time without fail.

Further, as per Regulation No. 16 of the Revised Regulations for Recognition of Higher Secondary Schools (2019), a late fine of Rs. 5000/- (five thousand) only will be charged from those institutions which submit the said Annual Report after the above mentioned date.

**Sd/- Ch. Biren Singh**
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur.

HL-B/7225/17

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR.

**NOTIFICATION**

Imphal, the 16th October, 2021

**No.2/48/96-HSC(Vol-I)/7146:** It is, hereby, notified for information to all candidates who are willing to appear in the Higher Secondary Examination, 2022 as a candidate in the category of **Improvement in All Subjects/Improvement in One Subject/Private Candidate** that the prescribed application forms for obtaining prior permission will be available from the Council office with effect from the 18th October, 2021.

The date of submission of duly filled in application forms along with the necessary fees and documents shall be on or before the 3rd November, 2021 (4 p.m.).

Further, it is also informed that the Principal concerned should upload and submit the list of candidates of the above said categories after getting permission from the Council Office on or before the 17th November, 2021 (4 p.m.) on the portal of the Council, i, e., **https://cohsemmanipur.nic.in** .

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr.Sec.Edn.,
Manipur.

HL-B/7224/17

# এম পি হাৎখিবা টেররিজমগী থৌওংনি

লন্দন, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী) :

বৃটিশ এম পি দেবিদ এমেসপু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবগী থৌওং অদুবু নাকল কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌওং অদু টেররিজমগী ওইবা থৌওং অমনি হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্নরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মেট্রোপোলিটান পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা লন্দন ইষ্টকী চর্চ অমদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ৬৯ রোম শুরবা ব্রেক্সিট কঞ্জর্বেটিব লো মেকর অসিবু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মশাগী চহী ২৫ রোম শুরবা নুপা অমা পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রে।

ইসেক্স পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদু নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুঙ ১২.১৩ তারকপা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকপগী পাউ হেক ফংবগা ইমর্জেন্সি টিম অমা মফম অদুদা চঙশিনখি। চর্চ অদুগী মনুংদা এম পি এমেস থাঙনা মফম কয়াদা থিনখিবগী দাকফমগা লোয়ননা লৈমায়দা তাদুনা লৈরমখি। মহাকপু খুদক্তা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। অদুবু মহাক্কী অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা থৌদোক থোকফমদা অদুমক শিখিবনি হায়রি। অমরোমদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফারবা মীওই অদু বৃটিশ নেসনেলনি। মহাক ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকা মরী লৈনরম্বা য়াই চিংনরি।


# ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

**FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764**
**OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com**

**PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING**
**KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL**

HL-B/7197/2/10-31/10


## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

**NOTIFICATION**

Imphal, 16th October, 2021

No. 1/577/21-HSC/7145: It is hereby notified to all the Heads of institutions of Colleges/Higher Secondary Schools affiliated to the Council of Higher Secondary Education, Manipur that the Covid-19 pandemic has affected us all, specially students due to the closure of schools. However, it is learnt that many schools are getting on with the academic activities for the students through Online mode etc.

As was done in the previous years, the self- appraisal report on the status of the academic activities of the students of Class XI and XII of the various schools/Colleges affiliated to the Council for the academic session should be submitted to the Council on or before 26th October, 2021.

Therefore, all the Heads of institutions of Colleges/Higher Secondary Schools affiliated to the Council are requested to submit the same in the questionnaire ( enclosed as Annexure ) physically to the undersigned or by email to cohsemimphal@ yahoo.co.in without fail.

This may please be treated as MOST URGENT.

**Sd/- Ch. Biren Singh**
Secretary
Council of Hr.Sec.Edn.,Manipur

HL-B/7228/17

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

**NOTIFICATION**

Imphal, the 16th October, 2021

No.2/23/96-HSC/7147: It is, hereby, informed to all the Principals of Higher Secondary Schools and Colleges having +2 courses under the Council that the online submission of list of candidates who are willing to appear in the ensuing Higher Secondary Examination, 2022 under the categories of **Casual and Improvement** candidates shall be started from 18th October,2021 to 17th November, 2021 on the portal of the Council i.e., https://cohsemmanipur.nic.in.

The list of uploaded candidates along with Statement of Marks (Xerox copy) of the Higher Secondary Examination last appeared should be submitted to the Council Office on or before the 17th November, 2021.

Sd/- CH. BIREN SINGH
Secretary,
Council of Hr. Sec. Education,
Manipur

HL-B/7226/17